তিল য়োকপগী তিলয়োক পথাপ (Rearing of Mulberry Silkworn)

তিলয়োকশং (য়োকপগী চাং ২০০-২৫০ dfls )

- ফিট ৫০ শাংবা, ফিট ২০ পাকপা, ফিট ১০ ৱাংবা তিলয়োকশংদা কুরাক অমোম ২০০-২৫০ না কোকপা লৈনা চেন্দবা মরুম য়োকপা য়াই। তিলয়োকশাং শাগদবা মফম অদু তোংলপ তৌবা, উরুম লাংবা মফমদনা হেন্না চান্নে।
- য়ামদ্রবদা ফিট ৩ পাকপা মাংঙ্গোল তিলয়োকশংগী অকোইবদা য়াওনা শাবিগনি।
- নুংশিৎ নুংশা মরাং কাইনা ফংনবা মিহুৎথোং অমদি নুংশিৎ চংফম ভেন্তিলেরতশিং য়াওহনগনি।
- মিহুৎথোং অমদি ভেন্তিলেতরশিং অদু নাইলোন নেটকী মতেংনা খাজিন্দুনা হয়িংদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবিগনি।

খনগৎলবা অফবা মুকশন (hybrid) recommended

Multivoltine - PMxCSR$_2$, L$_{14}$ x CSR$_2$

Bivoltine - CSR$_2$ x CSR$_4$, FCI x FC$_2$ (soluble hybrid)

লংথোকতিল য়োক্কদবা কা অমদি তিল য়োকপদা শিজিন্নগদবা খুৎশু খুৎলাইশিং খনগৎলবা অফবা মহিক-মতাই হাৎনবা Disinfection শিজিন্নদুনা মহিক-মতাইশিং মাংজৌননা হাৎতোকপিগনি।

তিল য়োকপদা চংগদবা খুৎশু খুৎলাইশিং :

- পৱার স্প্রেয়র, রিয়ারিং ষ্টৈনদ, রিয়ারিং ত্রেজ, ফোম পেদস।
- মমবতি/খোইরু তৈরবা চে, নাইলোনগী ইন, মনা হাপ্নবা থুমোক।
- লিমোনগী বোরাখাও, রোতরি নত্রগা চন্দ্রিকা নত্রগা নেত্রিকা।

মরুম চান্নবা মৈশা মনিন্দা থম্বা (Incubation) অমদি তিল খেৎথবা (Brushing)

- মলবরি তিল মরুমশিং অদু য়াংকোক নত্রগা ত্রেগী মথক্তা পেরাফিন তৈবা চেগী মথক্তা অমগা অমগা লোন্নদনা থম্বিগনি।
- অতোপ্পা পেরাফিন তৈবা চেনা তিল মরুমশিং অদুগী মথক্তা কুপলগা থম্বিগনি।
- মরুম থমফম কাগী মৈশা 25 - 26$^{O}$C অদুগা ঈশিং মনিলগী চাংনা 80% RH তা থম্নবা হোৎনবীগনি।
- তিল মরুমশিংনা মংগ্রামচু হাইরপ চংলকপা মতমদা 20-25 dfls গী চাংদা মরুমশিং অদু tissue paper গী চেনা য়োম্লবা মতুংদা অমুবা মচুগী চেগী উপু নত্রগা অমুবা ফিনা অমুক য়োমশিন্দুনা নোংমা নত্রগা নিনি থম্বিগনি।
- মথংগী নুমিত্তা মরুম পোখাইন্নবা নুংশিৎ শিৎতবা মঙাল ফংবা মফমদা য়োমশিল্লিবা চে অমদি অমুবা ফিশিংদগী লৌথোক্কুনা থম্বিগনি।

মচা ওল্লবা তিল খেৎথবা

- মরুমদগী পোকখাইরক্তুনা মচা ওল্লবা অপিকপা তিল মচাশিং অদু য়াম্না চেকশিন্না মাংজৌননা শেমশারবা শেমশারবা ত্রেগী মথক্তা থম্বা পেরাফিন তৈবা চেগী মথক্তা অঙৌবা মচুগী মহিক মতাই য়াওদ্রবা উচেক মতুগী মতেংনা নত্রগা ব্রস অমদি খুৎকাপ্পি কাপতুনা Incubation Frame নত্রগা Egg Card তগী ত্রেগী মথক্তা থম্বিগনি।
- পোকখাইবদা ঙাইরিবা তিল মচাশিং অদু অনৌবা কব্রংচাক মনা মশা মতোন্দগী থিবদা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা মতাংদা পানবা মনাশিং হেক্লগা 0.5 - 1 cm ফাওবগী চাংদা কক্লগা পিজগনি।

তিল মচা য়োকপা (Chawki Rearing)

- তিল মচাশিং অদু ত্রেগী মথক্তা চাং মান্ননা শন্দোক্তুন থম্বিগনি।
- অফবা মচি ওইবা চিঞ্জাক্কী চাং অমসুং ঈশিংগী চাং ৱাংনা য়াওবা অমোৎপা মনা ককলগা পিজবিগনি।
- নোংমদা ৩-৪ রক 0.5-2 cm গী চাংদা কক্লবা মনা অহানবা তাঙ্কক্কী তিল মচাশিংদা পিজবিগনি।
- কুরাক অমোম চাম্মনা কোকপা অহানবা তাঙ্কক্কী তিল মচাশিংদা মনাগী অরুম্বা কেজি ৫গী চাংদা পিজগনি অদুগা অনিশুবা তাঙ্কক্তনা মনাগী অরুম্বা কেজি ৮গী ওইবা মনা পিজগনি।
- অনিশুবা তাঙ্কক্কী তিলদা পিজগদবা মনাগী পাকচাওবা 2 - 4 sq.cm ওইহল্লগা নোংমদা ৩-৪ রক পিজগনি।
- তিলনা পিক্লিঙৈ মতমদা লৈগদবা চান্নবা মৈশা অসি 27 - 28$^{o}$C নি অমদি মনিলগী চাংনা ৮০-৯০%নি।
- নোংমগী মনুংদা অনিরকশুবা মচিঞ্জাক পিজদ্রিঙৈ মাংওইননা খরা হেন্না পাকথোক্লা শন্দোকপিগনি। থৌওং অসিনা মমাংদা পিজখিবদা লেমহৌবা মনাশিং অদু থুনা কংহনবা ঙমহল্লি।
- অহানবা অমদি অনিশুবা Instar গী মতমদা অমুরক্তি মথি ময়ুং শেংদোকপিগনি। অহুমশুবা তাঙ্কক্কী তিলশিংদি নোংমদা অমুক্তি নুংতিগী শেংদোকপিগনি।
- তিলশিংনা মকু হুদ্রিঙৈগী মাংওইননা Bed কী অথাবা হন্থহনবিগদবনি।
- চাদা ৯৭%গী চাংদা তিলশিংনা য়াইহিপ লৈদুনা মকু হুনবা শেম শ্রখ্রবদি মনা পিজবা লিপ্পিগনি অদুগা ময়াক য়াওদবা শুনু তিলগী মশাদা চাইবিগনি।

চাওখৎলক্লবা তিল য়োকপা (Late ape rearing)

- অনিশুবা মকু হুবা লোইবা মতুং অহুমশুবা তাঙ্কক্ক য়ৌরবা কান্দদি Shoot rack শিংদা হোংদোকপা য়ারে।
- কব্রংচাক মশা পিজদুনা য়োকনবা rack শিংসি য়োৎনা, উনা নত্রগা ৱানা শাই।
- থেংখাং (Tier) অহুম লৈবা rack শিংনা অয়াম্বনা মরুওইনা চৎনৈ।
- Rack শিংগী অপাকপগী চাং ফিট ৫দগী হেল্লোইদবনি।
- মখা ইথং থংবা rack কী থেংখাং (tier) অদু লৈমায়দগী ফিট ১ ৱাংখৎনা থমগদবনি।

- Rack কী থেংখাং অমগা থেংখাং অমগা ফিট ২ তগী তাদনা লাপনহনগদবনি।
- চাওখৎলক্লবা তিলদা পিজগদবা মনা মশাশিং অদু নুমিৎ ৫০দগী ৬০ ফাওবা শুরবা মশাশিং ওইহনগনি।
- নোংমগী মনুংদা ২রক নত্রগা ৩রক মচিঞ্জাক থাদুনা পিজবিগনি।
- মরিনি নত্রগা মঙানি চনবা নুমিত্তা মঙাশুবা তাঙ্কক্কী তিলশিংগী মথি ময়ুং শেংবীগনি।
- তিলয়োকশং কা অদুগী মনুংদা অফবা নুংশিৎ মরাং কাইনা লৈনবা হোৎনবিগনি।
- চান্নবা তিলয়োকপগী ফম্বাক (800 -900 sq.ft) অমদি কোন্নবা মচিঞ্জাক (কেজি ২৫০০ মনা য়াওরবা মশা 100 dfls গী তিলগীদমক) পিজবীগনি।

তিলশিংনা য়াহিপ (moulting) লৈরিঙৈদা লৌগদবা চেকশিন থৌরাং

- তিলশিংনা মকু হুনবগীদমক চাদা ৯০%গী য়াহিপ লৈখ্রবদি মনা পিজবা তোকপিগনি।
- তিল থন্নিবা জগা অদু হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্দুনা নুংশিৎ মরাং কাইনা লাংহন্দুনা কংনা থম্নবা হোৎনগনি।
- ময়াক য়াওদ্রবা শুনু চাইশিন্দুনা তিলথন্নিবা লৈমায় অদু মনিল হন্থনবা হোৎনগনি।

মহুম হাইবা লোইরবা Cocoon শিং শেৎতোকপা

- মপুং মরৈ ফানা মুল্লবা তিলদমক মহুম হাইফমদা হাপ্পিগনি।
- খুদোংচাগদবা অফবা মহুম হাইফম (mountage) rotary, plastic collapsible, bamboo mountage মহুম হাইনবা শিজিন্নবা।
- ইঙ্কুৱার ফিট অমদা মহুম হাইগদবা তিলগী চাং ৪০-৪৫ দমক হাপ্পিগনি।
- লৈনা চেল্লবা অমদি অশিবা তিলশিং খন্দোকপিগনি।
- মহুম হাইফম কা অদুগী মৈশা 27-28$^{o}$C অমদি ঈশিং মনিলগী চাং 60-70% RH দা থম্বিগনি।
- মনিলগী চাং হেল্লবদি থোং থোংনাও হাংদোক্তুনা হন্থহনগনি।
- অয়োকপা নংশাগী মঙাল চংহল্লোইদবনি।
- মহুম হায়বা হৌবা নুমিত্তগী পারগা মঙানি শুবা নুমিত্তা মহুম হেকপা য়ারে।
- অপাবা মহুম, মচু চুরবা মহুম, চাওবগী চাং মান্নদবা মহুমশিং খন্দোকপিগনি।

তিলয়োকলোল অমদি লু নানবা

- তিলয়োকশংদা চংদ্রিঙৈ মমাংদা খুৎ শাশিং Disinfectant তা লুপতুনা চামথোক্লবা মতুংদতা তিলয়োকশংদা চংবীগনি।
- তিল য়োকপদা য়াওদবা অতোপ্পা লমলানবা মীওই অমত্তা তিলয়োকশংদা চংহল্লোইদবনি।
- অফবা মখলগী চাদা ৫%গী পাঙ্গল লৈবা Bleaching Powder মহি থিৎলগা তিলয়োকশংগী অকোইবদা নুমিৎ ৫-৬ ফাওবগী মনুংদা অমুরক কাপথোকপিগনি।

- লৈনা চেল্লবা তিলশিং লৌথোক্লগা মফমচানা অরাপ্পা মফমদা মৈ থাদোক্তুনা কোমদা ফুমজিনগনি।
- তিলগী মথি ময়ুং শেংলমদাই অমদি শেং লোইরবাকান খুদিংগী 2% Bleaching Powder মহি তিলয়োকশংগী লৈমাইদা তৈথোকপিগনি।
- তিলশিং মকু হুবা লোইদুনা য়াহিপতগী হেক হৌগৎলকপগা চান্নবা Bed Disinfection LABEX নত্রগা RKO তিলশিংগী মশাদা চাইবীগনি।

**মরিকচুম্বা ৱারম ফংফম :**

Central Sericultural Research and Training Institute, Beshampore, West Bengal